হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, সেপ্টেম্বর ২৮, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১৮৩শুবা মশীং

# লৈবাক লান্না পাইরকপা অমদি লল্লক্কী উচেকশিং

## কাঞ্জুল মুৎখিদনবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎফম থোকই

মীওইবা ঐখোয়না শাফগদবা মফম য়েংলগা য়ূম-কৈ শাদুনা লৈনবগুম অতৈ থৱায় পানবা খূদিংমকসু মশা-মশাগী খূদোংচাগদবা মফমদা লৈদুনা চাক্তাফম ওইনরি। কুম খূদিংগী অকক্লবা মতম অমদা তোঙান-তোঙানবা মখলগী উচেকশিং কিলোমিটর লিশিং কয়া কয়া লাপ্পা পাইরগা চাক্তাফম থিরি। লৈবাক লান্না পাইরগা চাক্তাফম থিবা উচেক মখলশিংদা তোপ-তোপ্পা মগুন চেনবা মরম্না থাপ্প-থাপ্পবা মফমদা ইরায়-লায়না পাইবা ঙম্মী। হায়রিবা উচেক মখলশিং অসিনা মতম অমুক্তদা শুংলেপ-লেপ্তুনা লমথুংফম য়ৌনা পাইবা ঙমদবদগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লমদনফম ওইরম্বসু য়াওদবা নৎতে। লৈবাক লান্না পাইরকপা উচেকশিংনা করি-করম্বা মওংদা মশাগী লম্বী খঙলগা লমথুংফম য়ৌনা পাইরকপগী মতাংদা চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রি। হীরম অসিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়, উচেকশিংগী মমীৎতা অখন্নবা লাইট রিসেপ্টর য়াওবা মরম্না মালেম (আর্থ)গী মেগনেটিক ফিল্ড য়েংলগা মশাগী লমথুংফম ইরায়-লায়না খঙবা ঙম্মী। অঈং-অশাগী ফীভম অমসুং মচীঞ্জাক ফংবা-ফংদবগী মতুংইন্না উচেক অয়াম্বা হিংনবগী লম্বী থিরকপদা লৈবাক লান্না পাইরকপনি। অদুবু কিলোমিটর লিশিং-চা কয়া লাপ্পা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিং লাল্লগা লমথুংফম য়ৌনা পাইরকপদা উচেকশিংনা খূদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লে। মহৌশাগী ওইবা থৌওংনা উচেকশিংদা খূদোংথিবা মায়োক্লহনবদি অসুক্কী মতীক চাং নেম্মী। মীওইবনা থোকহনবা খূৎশেমগী ওইবা থৌওংশিংনা উচেকশিংদা খূদোংথিবা মায়োক্লহনবনি হায়রি। খূদম ওইনা হায়রবদা পোল্যুসনগী চাং ৱাংখৎলকপা অমসুং হাঙদুনা লৈরম্বা মফমশিংদা য়ূম-কৈ শাজিল্লকপা, উমং কোকথোক্লগা লৌউ-শিংউগী থৌরাং লৌখৎলকপা অমসুং উচেকশিংগী লমথুংফম নৎত্রগা লমদনফম মাঙ-তাকহল্লকপনা মরম ওইরগা লৈবাক লান্না পাইরকপা অমদি লল্লক্কী উচেকশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি। উচেকশিংনদি হীরম কয়াদা মীওইবগী মতেং পাংলি। উচেকশিংনা লৌবূক্তা তাবা তীল-কাঙ পূম্নমক চাথোকপা মরম্না মহয়-মরোং মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্লিবনি। লৈবাক লান্না পাইরকপা অমদি লল্লক্কী উচেক মখল খরনা ৱেটলেন্দ য়োকখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌবা মরম্না মীওইবদা অচৌবা মতেং পাংলি হায়না লৌবা য়াই। ৱেটলেন্দনা মরম ওইরগা মীওইবদা থক্লবা ঈশিং মরাং কায়না ফংহনবা ঙম্লিবনি। কার্বোন দাইওক্সাইদ চুপশিন্দুনা অঈং-অশাগী খল কায়হন্দবা অমদি ঈচাউ থোকহন্দবগী মতাংদসু ৱেটলেন্দনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরি। লৈবাক লৈহাও ফহন্দুনা মহয়-মরোং মরাং কায়না পুথোকপা অমদি ইকো-টুরিজম চাওখৎহন্দুনা লৈবাক অমগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদসু লৈবাক লান্না পাইরকপা অমদি লল্লক্কী উচেকশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মালেমগী মফম অয়াম্বদা টুরিজম চাউখৎলকপগা লোয়নয়া ইকো-টুরিজমগী ফীভমসু ফগৎলক্লে। মীওই লিশিং-চা কয়ানা চহী খূদিংগী শেল তিংনা থাপ্প-থাপ্পবা মফমদা চৎতুনা অতাঙবা মখলগী উচেকশিং য়েংনরি।

নেসনল পার্ক নৎত্রগা ৱাইল্ডলাইফ সেঙ্কচ্যুয়রিদা অতাঙবা মখলগী উচেকশিং য়েংবা লাক্লরিবা মীওই কয়ানা বাইনোক্যুলর কেমেরানচিংবা লৈনবা মরম্না ইন্দষ্ট্রি চাওখৎহনবদসু তাঙলবা মখলগী উচেকশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। অদুবু মীওইবনা শা তানবা অমসুং অতাঙবা মখলগী উচেকশিং হাৎলগা চাবগী থৌওং অমা মালেমগী মফম অয়াম্বদা উবা ফংলি। কনভেন্সন ওন ইন্টরনেসনল ট্রেদ ইন ইন্দেঞ্জর্দ স্পেসিস ওফ ৱাইল্ড ফোনা এন্দ ফ্লোরাগী মতুং ইন্না অতাঙবা মখলগী শা-উচেকশিং হাৎলগা চাবা থিংলবসু মালেমগী মফম অয়াম্বদা মপূং ফানা থিংবা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়াদা লৈবাক লান্না পায়রকপা উচেকশিং অমদি লল্লক্কী শা-উচেকশিং ঙাক শেন্দুনা থম্নবা লেজিসলেসন কয়া চৎনহনবা লৈখ্রে। অদুবু চহী খূদিংগী মীওইবনা অতাঙবা মখলগী শা-উচেক মিলিয়ন কয়ামরুম হাৎলগা চাবগী থৌওং চৎথরি হায়না ৱাইল্ডলাইফ কঞ্জর্ভেসন সোসাইটিগী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি। পূম্নমক অসিনা মরম ওইরগা মালেমদা হৌজিক অতাঙবা মখলগী শা-উচেক কয়ামরুম কাঞ্জুল মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে। লৈবাক অসিগী অৱাং-নোংপোক লমদমদসু মণিপুরগী তরেৎ য়াওনা অতাঙবা মখলগী উচেক ৬৬ কাঞ্জুল মুৎখিগদৌরে হায়বা ৱাফম লাক্লিবা অসি নুংনাংনিংঙাইনি। গভর্ণমেন্ট অমদি নন গভর্ণমেন্ট ইনষ্টিট্যুসনশিংগী রিসার্ছ অমসুং কঞ্জর্বেসন ওর্গনাইজেসন ১০না থিজিল্লবা মতুংদা হৌখিবা মতম খরগী মমাঙদা ফোঙলকখিবা "ষ্টেট ওফ ইন্দিয়া'জ বর্দ্স ২০২০" হায়না মিংথোনবা রিপোর্ট অমনা হায়, কাঞ্জুল মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরবা উচেক মখল ৬৬কী মনুংদা মণিপুরগী তরেৎ, অরুনাচল প্রদেশকী ২৩, অসামগী ২২, মেঘালয়াগী অহুম, মিজোরামগী মরি, নাগালেন্দগী মঙা অমসুং ত্রিপুরাগী অনী য়াওরি। রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না মণিপুরদা কাঞ্জুল মুৎখিবা য়াবগী মিপাইনিংঙাই ওইরবা উচেক মখল তরেৎকী মনুংদা ওলিভ বুবুল য়াওরিবনি। হায়রিবা উচেক মখল অসি মণিপুর, ত্রিপুরা, অসাম, মিজোরাম অমসুং মেঘালয়াগী উমং খক্তদা ফংই হায়রি। লৈবাক লান্না পাইরকপা অমদি লল্লক্কী উচেকশিংনা হীরম কয়াদা মীওইবগী মতেং পাংই হায়বা খঙলবনি। ঙরাং অয়ুকসু লমদিং লৌকোলদা থাক্লম্বা হাইগৎলাংদা থুরগা লৈরম্বা চোংখু অমা এল সোভা কৌবা মীওই অমনা লৌ য়েংবা চৎপদা থেংনরকপদগী উচেক অদু কনখিবগী থৌদোক লৈখ্রে। অদুবু লমদম অসিগী মীওই কয়ানা লাং থাক্তুনা উচেকশিং ফাবগী থবক লেপ্তুনা চৎথরি। মরম অসিনা লৈঙাক্লসু, মীয়াম্নসু লৈবাক লান্না পায়রকপা অমদি লল্লক্কী উচেকশিং অসি কাঞ্জুল মুৎখিদনবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২

১। "কংলাগী কৌপরু চিথেক্তা পুঙ অমা লৈপনে। লৈশা পুঙ কৌএ। অদুদা য়াই কৌপা নুঙ অমা লৈবনে। মচুদি হিগোকনে। মশক্তি নুওক্কী মশকনে। শা অমগী ঈনা লাৎও। মথংদা লাইখোংগী চিথেক্তা ঈ কৌপা নুঙ অমা লৈএ। লাইশক্তি শামুগী মশকনে। মচু মুইএ। খুরু খুদক কূন্না লৈএ। উহৈদে। উরবদি লৈপাক তাকএ। ওক্কী ঈনা লাৎও। কৌপরুগীদি অসিনা খৈরে।" মথক্কী পরেংশিং অসি কদায়দগী লৌথোরকপনো?

২। "শৈদম শৈরেং" হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা চহীদা অহানবা ওইনা ফোঙবগে? স্কুলদা তম্নবা টেক্সবুক লাইরিক ওইনবা কনানা লৈখিবগে?

৩। শক্লাইরবা অইবা নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সিংহনা অহানবা ইখিবা লাইরিক্তু করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং করম্বা চহীদা অহানবা খূৎনম পুথোকখিবগে?

৪। "ভক্তরাজ" গী অইবা থিয়েটর এক্টিভিষ্ট অদু কনানো?

৫। মখাগী শৈরেং মতেক অসি লৌথোকফম ওইরিবা অরিবা শৈরেং অদু করি মমিং কৌবগে?

"শিনয়োম নুংগী ইরকপা
কোঙয়াং ৱা-ই-ইরকপা
খেৎফরোই দে।
তাইবঙ ইরেন পূংশিবু
লাইজা ইরৈ চনগুম্মে
খঙঙমদে দে।
তাল্লোয় নুংচান ৱাদুনা
খোংফৈ চীরোন চন্নদি
লমদল্লে দে।"

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ
ডা. এম থোইথোই সিংহ

**Q.** লৌফমশিংদা শাৎলিবা ফৌশিং অসি খরনা হানবা খরনা তপ্পা য়াওরিবসি হীদাক কাপ্পগা চপ মান্ননা শাৎহনবা য়াই হায়নৈ। মসিদা কাপকদৌরিবা হীদাকতুগী মমিং অমসুং চাং কয়াদা য়াল্লগা কাপকদৌবনো হায়বদু খঙজনিংই।

- চাওয়াইবা, পাঙনতাবী

☞ শাৎপা মপুঙ ফারক্লবা ফৌনা তপথহল্লগা শাৎপা মপুঙ ফাদ্রিবা ফৌ পাম্বীশিংবুনা শাৎপা থুজিনহনবা ঙম্বা অকক্লবা হীদাক অমা লৈতে। স্প্রেয়র মছিন অমদগী থোরকপা হীদাক মরিক খরনা শাৎপা মপুং ফারক্লবা ফৌ চরোংশিংদা পাল্লগানা শাহৌ তপথহনবা, অদুগা শাৎপা হৌরক্লিবা ফৌ চরোংশিংবুনা শাহৌ থুজিনহনবা, শম্না ফৌশাৎ থুজিনহনবসু ঙম্বা ফৌশাৎ তপ্থহনবদা ঙম্বা অকক্লবা হীদাক লৈতে থাজবীরুনু।

**Q.** ঐগী লৌফমদা ৱাহিক তাই হায়দুনা হীদাক অনীরক কাপখ্রে। অদুবু হৌজিক অমুক তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোরোক-কোরোক কোইনা ঙাঙশিনবা য়াংকোক-ফৌরামুক পাকপা মফমশিংদা কংশিনবা হৌরক্লে। লোক্কদবা নুমিৎ ২০ মুক্তা ঙাইরবসিদা হৌজিক হীদাক অমুক কাপখিগদ্রা ?

- থৌচোম জিতেন, অৱাং খুনৌ মনিং লৈকাই।

☞ হীদাক কাপতবা য়াদ্রে। করিগুম্বা কাপত্রবদি নুমিৎ নিনি-হুমনিদা অঙকপা ফংনা ৱাহিকনা ফৌ পাম্বীশিংদু মাঙহনবা ঙম্মী। ফৌ খাওগদবা নুমিৎ ২০ নি মুক্তা ঙাইরবনিনা পাম্বীদা কুইনা ময়াক লৈরোইদবা হীদাক খনগনি। খূদম ওইনা তীলশিংদুবু মপুং ফানা হাৎপাঙম্বা Dantotsu (Chlothianidin 50% WDG) গ্রাম অনী ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা শঙম অমা চাওবা লৌফমদা হীদাক গ্রাম ১২ কাপথোক্কনি। হীদাকসি ফৌ পাম্বীদা কাপখ্রবা মতুংদা ফৌনা নুমিৎ ১৩ দগী হেন্না লৈতে।

**Q.** ওক্তোবর তাং ২০ ফাওবগী মনুংদা ঐগী ফৌশিং লোক্কদৌরে। অঙনফৌসু থাগদবনি। চহী খুদিংগী অনীরক চাবী তৌই। ফৌ লোক্লবা মতুং অমসুং অঙনফৌ লিংদ্রিঙৈ মরকসিদা গেহু নৎত্রগা কাশারী থাসিরা খল্লি নৎত্রগা করি থাসিগে? মতুংদা অঙনফৌ অমুক তৌবা নংগদ্রা ?

- থৌদাম ইবুঙো, থৌবাল

☞ গেহু মতম শাংই, অঙনফৌ থাবা নংলোই। কশারীসু কান্নবা য়ৌরোই। মুশোরী ওইনা থাসি লৈবাক্তু ঈশিং তুংলোইদবা ওইরবদি। মুশোরীদি নুমিৎ ৮০দগী ১১০ মুক্তা চংই। লোক্লবা মতুংদা অঙনফৌ তৌবা ইকোম কোম্না নংই। ঈশিং য়াম্না চংদে; লৈবাকসু লৈহাও চেলহল্লি।

**Q.** ফৌ লোকখ্রবা মতুংদা হৱাই মঙ্গল থাবা পাক শন্না থাগে খল্লি। অকিবা অমদি হৱাই থরাক পাম্বীশিংগী মরক্তা নাপী হৌজিল্লক্তুনা হৱাই পাম্বীশিং নমখিগদ্রা হায়বসিনি। হৱাই থরাক শোক্তবা অদুগা মরক্তা হৌরিবা অতোপ্পা পাম্বীশিংবুদি হাৎপা ঙম্বা হীদাক লৈরবদি মমিং খঙজনিংই। লোয়ননা চাং কয়াদা কাপকদগে হায়বদুসু খঙহনবীরকউ ?

- জেমস, ইথাই।

☞ হৱাই হৌরবা মতুং নুমিৎ ২০-২৫ গী মনুংদা হৌরবা, হৱাই মরক্তা হৌরিবা মখল কয়াগী পাম্বীশিংবু হাৎপা ঙম্বা Basagran মিলিলিটর ৪০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা ষ্টিকর মিলিলিটর ৫ য়ানশিনবীরগা পাম্বী পুম্বা চোৎনবা কাপথোকপীগনি।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*
[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা, ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]
চিঠি থারকফম
এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ
সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১
নৎত্রগা
অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল ***hueiyenagri@gmail.com*** দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।







# পাম্বীদা হার হাপ্পদা কান্নবা মপুং ফানা ফংনবা কাঙলোন অমদি লৌশিং খরা

- এস সুমঙ্গল -

পাম্বী অমা মশা মঔ ফনা হৌহন্দুনা চাথোক নিংথিনা ফংনবা হোৎনবা মতমদা পাম্বীগী মচীঞ্জাক নিংথিনা পীদুনা পাম্বীদা ফংহনবগা লোইনন শেন্দোং ফংনবা হোৎনবা হায়বসি লৌউ শিংউ তৌরিবা ইচিন ইনাওশিংগী পান্দম ওইফম থোকই। পান্দম অসি ফংনবা ঐখোইনা শিজিন্নরিবা পাম্বীগী মচীঞ্জাকশিং কাঙলোন চুম্না হাপফম থোকই। থৌরম অসিগীদমক মরু ওইবা ৱাফম খরা খঙজিনবা তঙাই ফদে। হারশিং হাপ্পগী পাংথোক্কদবা থৌরমশিং অদু মখাদা থমজরি।

১। হার মখলগা (ওর্গানিক মেন্যুর অমদি কেমিকেলগী হার) লোয়ননা মখোইগী মগুণ

**ওর্গানিক মেন্যুরঃ**

অয়াম্বা ওর্গানিক মেন্যুরশিংদি পাম্বী থাদ্রিঙৈ নুমিৎ কয়া মাঙজৌননা লৌফম শিনবা থুংনা চাইদুনা হাপ্পিগনি লোয়ননা লৈবাক্তা খোইজিনবিগনি। মসিনা হাপ্লিবা হার অদু নিংথিনা পথ্ পুমথদুনা পাম্বীগী মচীঞ্জাক মতম চানা থাদোরক্তুনা পাম্বীদা ফংহল্লি। কন্সেন্ত্রেতেদ ওর্গানিক মেন্যুর (থাওথি, বোন মীল, ফিশ মীল, অসিনচিংবা) অসিদি পাম্বী মরূ হুনবা, থাবা মতমদা নৎত্রগা থারবা মতুংদা তোপ দ্রেসিং ওইনা পাম্বী মখোং অকোইবদা নৎত্রগা মনাক নক্লা মচি মচিদা চাইবসু য়াই। গ্রীন মেন্যুরিং তৌগে হায়রবদি পাম্বী থাগদবা য়ামদ্রবদা চয়োল অমা ৱাৎলিঙৈ মতমদা লৈবাক্তা খোইজিন্দুনা পথনবা হোৎনবিগনি। ওর্গানিক মেন্যুরদি পাম্বীনা ফংনবা মওংগী মচীঞ্জাক অসি তপ্না তপ্না থাদোরকই।

**খূৎশেমগী হারঃ**

ক) নাইট্রোজেন পীবা হার (মরু ওইনা যুরিয়া)ঃ নাইট্রোজেন অসি পাম্বীগী য়াম্নমক মরু ওইবা মচীঞ্জাক্নি। পাম্বীনা হৌরিঙৈ মতম পুম্নমক্তা তঙাই ফদনা চঙই। পাম্বীনা নৌরিঙৈ মতমদা খরা হন্থনা, চাওখৎলকপা মতমদা য়াম্না অমদি পাম্বীনা মহৈ য়াল্লবা মতুং লোক্লমদাই মতমদা তপ্না তপ্না হন্থনা চুপখৎলি। ঈশিংদা তুম্বা মরম্না য়াম্না লায়না মাঙখিবা ঙম্মী, মনিল ওইনা নুংশিৎতা পাইখৎখিবসু য়াই। মরম অদুনা নাইট্রোজেনগী হার মখলশিং অসিদি অপুনবা চঙগদবা চাং অদু পুন্না অমুক্তদা হাপ্পিরোইদবনি। মচিৎ মচিৎ ওইনা তাঙ্কক অহুম মরি থোক্লা পাম্বীনা থারমদাইদা অমুক, পাম্বীনা হৌরিঙৈ মহৈ য়াল্লমদাই ফাওবদা অনিরক নৎত্রগা অহুম্লক থোক্লা চাইবিগনি।

খ) ফোস্ফোরসকী হারঃ পাম্বীগী মচন অসিদি পাম্বীনা নৌরিঙৈ মতমদা য়াম্নমক তঙাই ফদনা চঙই। পাম্বীগী মরা শেন্বদা য়াম্নমক মতেং পাংই। মচীঞ্জাক অসি তপ্না তপ্না পাম্বীদা ফংই। মরম অসিনা পাম্বী থারমদাইদা অমুক্তদা পুল্লপ হাপ্পিহৌগনি।

গ) পোটাশকী হারঃ হার মখল অসিদি লৈবাক লৈহাওগী মতুং ইন্না পুল্লপ নৎত্রগা অনিরক অহুম্লক থোক্লা চাইবিগনি। লৈতান্না নম্বা লৌফমদা পাম্বী থারমদাইদা পুন্না খোইজিন্দুনা হাপ্পিহৌবা য়াই। লৈঙোইনা নম্বা লৌফমদদি অনিরক অহুম্লক থোক্লা থারমদাইদা অপুনবগী তঙ্খাই নৎত্রগা শরুক অহুম থোকপগী অনি অদুগা লেমহৌরিবা শরুক অদুনা তঙ্খাই তঙ্খাই অনিরক থোক্লা চাইবিগনি।

২। লৈবাক লৈহাও অমসুং ঈশিংগী চাংঃ

পাম্বীগী মচীঞ্জাকশিং অসি লৈবাক লৈহাওগী ফিভম খেন্নবগী মতুং ইন্না (মরু ওইনা লৈঙোই নৎত্রগা লৈতান) লৈপাক্তুনা খাঙবা/ফাজিন্দুনা থম্বা ঙম্বা ঙমদবগী চাং খেন্নে। মরম অসিনা লৈঙোই লমদা হার খরা হেন্না চঙই লোয়ননা হার মাঙদনবা মথক্তা থমজখিবগুম নাইট্রোজেন অমসুং পোটাশকী হারশিং মচিৎ মচিৎ ওইনা চাইবা ফৈ।

হার মখল খুদিংমক হায়বদি মেন্যুরশিং অমসুং খূৎশেমগী কেমিকেল ফর্তিলাইজরশিং অসি ঈশিং মতিক চানা য়াওদ্রবদি কৈদৌনুংদা পাম্বীনা লৌশিনবা ঙমদে। অকঙবা লৌবুক্তা হার চাইরবা মতুং নৎত্রগা মমাঙদা নোং চুদ্রবদি ঈশিং চনবিবা কাউবিরোইদবনি। গ্রীন মেন্যুরিং তৌবা তারবসু ঈশিং নৎত্রগা ঈনিল মতিক চানা লৈরবা মতমদা তৌবিগদবনি।

৩। পাম্বীগী মখল অমদি ক্রোপ্পিং সিষ্টেমঃ

পাম্বী খুদিংমক্কী মচীঞ্জাক্কী চাং খেন্নে। চাথোক লৈবা পাম্বীশিংনা চাথোক লৈতবা পাম্বীদগী হার হেন্না চঙই। চাথোক লৈতবা পাম্বী মখলশিংদা পোথোক হেন্না পুথোক্লবা হায়দুনা হার হেন্না চাইবগী মথৌ তাদে। অহোইননা মাঙনবা মচাক ওইহল্লি। খূদম ওইনা মমাঙঙৈগী ফৌ অৱাঙবা মখলশিংদা হার হেন্না চাইরুরবদি তুদুন হান্না থোকচরমগদবা চাংদগী হন্থনা থোক্কনি। মখোয়শিং অসিদি ফর্তিলাইজর নন রেস্পোন্সিব ভেরাইতী কৌনৈ। মতম শাংনা চঙবা পাম্বীশিংদা (চু, খামেন, মোরোক, উহৈ পাম্বীনচিংবশিংদা) অমুক্তদা হারশিং হাপ্পীরোইদবনি। মচিৎ মচিৎ ওইনা হাপ্পীবা ফৈ। থরাক পানবা হৱাইপাম্বীশিংদা নাইট্রোজেন য়াম্না চাইবগী কান্নবা লৈতে। ষ্টার্তর দোজ ওইনা খরখক চাইরগা লোইরে। মখোয়দি মশানা নুংশিত্তগী নাইট্রোজেন ফাজিনবা ঙম্বা পাম্বীশিংনি। আলু, হীদাক মনা, চু, সুগর বীটনচিংবা পাম্বীশিংদা নাইট্রোজেনগী হার অসি পাম্বী মপুং ফাবা মতমগী য়াম্না মাঙজৌননা চাইবা লেপ্পীগনি নৎত্রবদি পোথোক্কী মগুণ য়াম্না হন্থবা থেংনগনি। কুমগী ওইবা পাম্বীশিং নৎত্রগা চহীগী ওইনা হৌবা পাম্বীশিংদা অরোইবা নাইট্রোজেনগী হার পীগে খল্লবদি ঈশিংদা তুমহল্লগা চাইবনা ফৈ মরমদি পাম্বীগী মপুন্সি লোইশিল্লকপা মতমদা মরাশিং শোন্থরকপা মরম্না মচীঞ্জাক চুপখৎপগী মপাঙ্গল হন্থরকই।

হার চাইবগী হেন্না কান্নবা ফংনবা লৌশিং খরাঃ

১। লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌরবা মতুংদা হার চাইবিবা
২। লৈমাইদা হার চাইবা অসি য়ারিবমখৈ তৌবিদবা, লৈমাইদগী সেঃ মিঃ ৩-৪ লুথনা হার চঙখিনবা হোৎনবিবা। মসিনা নাপি হৌবগী চাংসু হন্থহনগনি।
৩। ফোস্ফোরস অমসুং পোটাসকী হারশিং পাম্বী থাদ্রিঙৈদা চাইবিবা। হার মখল অনি অসি লৈবাক্তগী মাঙগন্দে। য়াম্না তপ্না লেংবা হার ওইবনা মরানা ফংগদবা মফমদা চাইবিবা ফৈ।
৪। য়ারিবমখৈ হারশিং চাইরমদাইদা য়ানশিনবিগনি। হেক য়ানশিন্নরবা মতুংদা খুদক্তা চাইবিগনি।
৫। হার হেক চাইরবা মতুং চয়োল অমফাওবদি ঈশিং কা হেন্না চনবিবা ফৎতে।
৬। ফৌ পাম্বী হৌরবা মতুংদা হার চাইবিগে হায়রবদি ঈশিং ফাত্তোক্লগা চাইবনা খ্বাইদগী ফৈ।
৭। ফৌ থাদ্রিঙৈ হায়বদি থারমদাইদা চাইবা হার কৈদৌনুংদা লৈমাইদা চাইরগা ফৌ হুনবা নৎত্রগা লিংবা তৌবিরোইদবনি, অরোইবা খোইবদা/নৈবদা লৈবাক্তা খোইজিনবিহৌগদবনি। পাম্বীগী মরানা লৈনুংদগী হার চুপকদবনি।
৮। ঈশিং লিকপা মতমদা পাম্বীদা নাইট্রোজেন হাপ্পা অসি মনাদা ওইনা পীবনা হেন্না ফৈ।
৯। গ্রীন মেন্যুরিং নৎত্রগা ওর্গানিক মেন্যুরসি চহী ৩-৪ খুদিংগী তৌবিবা ফৈ।
১০। ঈশিংদা যুরিয়া চাইবদা কোক্তেদ ওইনা চাইবা ফৈ। ঈশিং য়াম্না লুবা ফৌদা যুরিয়া লৈবাক্কা লোয়ননা বোল ওইনা মতুম তারগা চাইবা ফৈ।

থমজরিবা খরা অসি ঙাক্লা চৎলবদি হায় চাইবগী কান্নবা হেন্না ফংদুনা শেন্দোং হেন্না ফংগনি খল্লি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।